# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Charlie Chaplin


Jean-Baptiste Thierree


Victoria Chaplin

- অদুবু ফিল্মদু নন্বদা হিরো কূপ্লিবা Marlon Brando চমন্নখি। মানা হৈজরকপা, তমজরকপা মহৈদুগা চার্লিগী অপান্বগা, ৱাখলগা চানরক্তবা য়াওখি। অদুবু ক্রিটিক Penelope Gilliart না হংবদা চার্লিনা খুমখি, মানা পান্বা মওংদু Marlon দা হায়বদা অদুম হেক্তা তৌথোক্লকই। অদুগা Sophia Loren নসু চার্লিবু থাগৎচখি মাগী হৈ-শিংবদুদা। মানসু চার্লিনা পান্বদু তানবা কন্না হোৎনজখি।
- য়াম্না পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওইখিবা অমনা ফিল্ম অদু নন্বা লোইগদবা চয়োল অমতা ঙাইরক্লবদা চার্লিগী অরোইবা ওইনা মাগী ফাগী পুবা ফিজোল শেৎখিবা অদুনি। মহাক্কী Guest appearance অমতং পীগদৌরিবনি। মদুনা মাগী পুন্সিগী অরোইবা সিননি। মহাক অহল ওইরবা Steward অমা শাগদৌরিবনি। মনা পঙবা অহল শাদৌরিনি।
- অদুগা লাইবক থীবা অমনা ফিল্মদু এদিট তৌরিঙৈ ১৯৬৬কী ওক্টোবর ১১দা চার্লিনা Jerry Epstein গা Pinewood Studio মপান্দা সুম কোয়থোকমিন্নবদা খোঙফম চাহৌদদুনা মখোঙ লৈথেককখি। Epstein না কোল্লগা পুশিল্লকখি। অদুবু হোস্পিটালদা য়ৌবা তাখি। বেন্দেজনা য়োমদুনা নুমিৎ খরনি লৈবা তাখি। মাগী পুন্সিদা মশাগী অশোক-অপন হায়বদু মদুনা অহানবা ওইখি। মহাক্কী টেনিস শান্নবগী পামজবদুদি অমুক হন্না ফংখিদ্রে। মখোঙদুনা য়াদ্রে।
- অদুবু মানা মখোঙ নাদুনা কূপ্লিঙৈদা ৱাখলদা ফিল্ম অমগী ৱারী শাগৎপা ঙমখি। The Freak কৌবা ফিল্ম অমগী ৱাখল পোল্লকখি। মদু মাগী অহুমশুবী মচানুপী Victoria গী ওইনা শেম্বনি। মচানুপী অহল Geraldine অমদি Josephine অনীদি হান্না ফিল্মদা মশক উৎখ্রবনি। A Countess from Hong Kong হায়বদুদা।
- ফিল্ম The Freak হায়বদুগী ৱারীদু মানা অসুম্না শেম্বনি - নুপীমচা অমনা নোংমা অয়ূক হৌগৎলকপদা মশা অনী পাল্লম্বা থেংনবগী ৱারীনি। মদু মচা Victoria দা পকচগনি খল্লুবনি। মচা ভিক্টোরিয়াসি মশকসু ফজৈ, অদুগা মপাদৌনা ফাগী পুই। চার্লিনা মচাগীদমক ফিল্ম অদুদা মচানা শীজিন্নগদবা মশা অনী অদুফাও শেম্লুরবনি।
- অদুবু ১৯৬৯ চঙলকপদা ভিক্টোরিয়া হায়বীসি ফ্রেঞ্চ মচা, এক্টর ওইনা ফাওগৎলক্লিবা Jean-Baptiste Thierree গা হেক থেংনরুরে। নুংশিনরে। নুংশিনবদা নৎত্রে। লোন্না মমা মপা তাক্লমদনা নুপাদুগী মতুং ইন্দুনা চেনখ্রে। কোন্না লুহোংবিখি। মতৈ-মনাওমক কোন্নদি Circus performer ওইনা Career শেমখি। অদুবু চার্লিদদি থম্মোয় শোকখি। অদুনা মাগী ফিল্ম The Freak হায়বদু থূপচিনখি।
- অসুম্না নীংবা কায়না লৈরিঙৈদুদা Lita Grey না পোকপা মচা খ্বাইগী অহল Charlen Chaplin (Junior) হায়বদু শিবগী পাউ লাক্লে। মহাক্তু মমাগী য়ূম কালিফোর্নিয়াদা লৈবনি। মশাগী চহী ৪৩ খক্তা ঙায়রিঙৈদা ১৯৬৮গী মার্চ ২০দা লৈখিদ্রে হায়না পাউ পীরক্লে আমেরিকাদগী। মহাক্তু ১৯৬০দা মপাগী মরমদা লাইরিক অমা ইরম্মী- My Father, Charlie Chaplin কৌবা।
- চার্লিস চাপ্লিন (জুনিয়র) অসি মশক ফজৈ, মবুক ফৈ, অদুবু মরাইবক লৈতবা মচানি। এক্টর ওইনা কয়া মায় পাকখিদে, মনাওনুপা সিদনি (জুনিয়র) গুম। অদুনা সিফাই খল্লুরে। মদুদা য়ু থকপগী হৈনবী য়াওরকখি। ময়ূম পানবসু নুপী অনীরক্লি লুহোংলিবা। অমতা লৈমিন্নখিদ্রে। মানা শিখিবা অসিমক্তি অৱাংবদগী তাবা অমদা শোকখিবদগী Thrombosis লায়না ওনখিদুনা শিবনি।
- ১৯৭০ চঙলকপদদি চার্লি খরা শোল্লে, অনৌবা ফিল্মগী ৱাখল তৌদ্রে। মাগী হান্নগী ফিল্ম অরিবশিং অদু নৌনা শেম শাবা ওইনা চত্থরে। অরিবা ফিল্মশিংদু অমুক হন্না য়োন্নবা ফার্ম থিবা হৌরে। মদুদা মচানুপা সিদনিগা ফিল্ম এজেন্ট Lieberson গনা ফিল্ম য়েন্থোকপগী রাইট অদু লৌজরগে হায়বদগী ৱারী শানবা হৌরে।
- নোংমা অয়ূক সিদনিগা Leiberson গা চাক চামিন্নদুনা মপাগা হরাও হরাও ৱারী শানখি। য়াম্না ফজবা মওংদা সুম ৱারী শানরম্বদগী মচানুপা সিদনিনা ৱা খরা হেক হায়রকপনি, মদুদা চার্লি খংশাউ শাউখ্রে। ৱারী মখা তানখিদ্রে, মপা-মচা কারন তানখ্রে।
- অদুনা মখোয়গী ইমুংগী সেক্রেটরি ওইরিবী Rachal Ford না হৌদোক্লকপা ফিল্ম এজেন্ট অমগী মমিংদু খন্নরে। মহাক্কী মমিং Moses Rothman কৌই। মহাক্তু হান্না য়ুনাইটেদ আর্টিষ্টকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরম্বনি। মহাক্কী Black Inc. কৌবা ফিল্ম য়োন্থোকপগী কম্পেনি অমা লিংখৎচদুনা চার্লিগী ফিল্ম ময়াম য়োল্লিবনি। অদুনা মানা চার্লিদা এদভান্স ওইনা ডোল্লর লাক্ষ ৬০ পীদুনা ফিল্ম অরিবশিংদু লৌখ্রে। অদুগা হয়েং ফিল্ম য়োনবদা কারকপা শেনফমগী তঙ্খায় য়েন্নগদৌরিবা অদুদা পাশিন্নবা হায়না য়ানরে।
- ফিল্ম অরিবা ময়াম য়োনবগী কারকপা শেনফমদু চার্লিনা নৌনা লিংখৎচবা কম্পেনি Roy Export Company গী ফন্দা হাপচিল্লি। অদুগা Moses Rothman সু মানা চার্লিদা পীরম্বা এদভান্সকী দোল্লর লাক্ষ ৬০দু ফিল্মশিংদু জপানখক্তদা য়োনবদা অদুম হঞ্জিনবা ঙমখি। Rothman হায়রিবা নুপাসি করবার হৈখ্রবা অমদি পব্লিসিটি ফখ্রবা মীশকনি। মহাক্কী মতেংসু চার্লিনা পাংশিল্লি।
- হৌজিক্তি চার্লি মালেম পূম্বনা মনা পীগদবগী ঙাইদুনা লৈবগুল্লে। ১৯৭১দা ২০শুবা Cannes ফিল্ম ফেষ্টিবেলনা মাগী অপূনবা পোত্থোক্কীদমক স্পেসল এৱার্দ পীরক্লে। মাবু Commander of the Legion d'Honneur গী ফমথোন অদু পীরক্লে।
- অমেরিকাসু মাবু নুংশিরক্লে। Academy of Motion Picture Arts and Sciences না মাবু Honorary 'Oscar' Award পীরক্লে অমসুং মাবু অমেরিকাদা লাকপীনবা হায়রক্লে। অহানবদা চেবাউ অদু চার্লিনা লৌবা হঙ্গোইরম্মী। অদুবু মমৈথংদা য়ারে। মদু মহাক্না অনৌবা কেমেরা মখল খরা মানা নমগে খনবা ফিল্ম The Freak হায়বদুগীদমক য়েংনীংবগীসুনি। অদুগী মথক্তা গণজ্ব গী মপামদা অমুক্তং চঙনীংবগীনি।

# মীৎখা চোন্থবা কোকহন্নবগী পাম্বৈ

মীৎখা চোন্থবা অমসুং ইপোম-পোন্বা হায়বসি পুক্লিং-ৱাখল লাংতক্লবগা লোয়নন্না হকচাং চোকথবগী খুদম্নি। কনাগুম্বা মীওই অমা মীৎখা চোন্থবগা লোয়নন্না পোন্বা তারবদি মীওই অদু অহল ওইশিন্না উহল্লি। মদুদা অহল ওইশিল্লকপগী খুদমনি খন্দুনা তুমিন্না লৈথোকপগী মথৌ তাদে। খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপগী মরু ওইবা মরম খরদং খঙমিন্নসি:-

- খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি পারি-পুরিগী ওইবা ঈ মরীদগী লৌনরকপা হায়বসিনি। মমা নত্রগা মপা অনীগী মরক্তা মীৎখা চোন্থবা অমা য়াওরবদি মচা অদুসু খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নরকপা য়াই। মতৌ অসুম্না ঈ মরীদগী লৌনরকপা ওইরবদি করিসু থোইদোকপা তৌনিংঙাই লৈতে।
- অতোপ্পা মরু ওইবা মরম অমনা পুন্সি মহিং মওং তাদবা হায়বসিনি। খরদং পল্লবদা মপুঙ ফানা তুমদবা, থুম কা হেন্না চাবা অমসুং হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌদবা অসিনচিংবনি।
- অহল ওইশিল্লকপগী মতুং ইন্না মীৎখা চোন্থরগা পোমখৎ-লকপা য়াওই। চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়নন্না মীৎকী অকোয়বদা লৈবা উনশা অমদি সপ্পোর্টিং টিস্যুশিং মপাঙ্গল শোন্থরকই। মসিদগী উনশানা ফেট ফাজিন্দুনা থম্বা ঙল্লক্তে। পুন্নমক অসিগী মথক্তা মালেমগী চিংশিনবগী মতীক-ময়াই (গ্রেভিটি) নসু মতেং পাংশিল্লি।
- সাইনস ইনফেক্সন অমদি অতৈ এলর্জি মখল খরনা মীৎখাগী উনশা তোয়না চিংথোক্তুনা ইকোম কোমহল্লি। মসিনসু মীৎখা চোন্থবা অমদি পোন্বা হায়বদু ওইহল্লকই।





ওইনিংবা মরম ওইরবসু খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগী মতাংদা ইচম-চম্না লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং খরদং খঙমিন্নসি:-

- মপুঙ ফানা তুম্বগা লোয়নন্না থুমগী চাং হন্থনা চাগদবনি। য়ারিবমখৈ ৱাখল চরাংনবা কোকহনগদবনি অমসুং চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌগদবনি।
- আলু অমা রেফ্রিজরেটরদা হাপচিন্দুনা মিনিট খরা থল্লবা মতুংদা তংখায় খায়দোক্লগা উইশিল্লবা মীৎ অনীদা তংখায়-তংখায় থল্লো। মিনিট ১৫ গী মতুংদা য়েংবদা মীৎখা চোন্থবা অমসুং পোন্বগী চাং হন্থরম্বা থেংনগনি।
- চপ মান্নবা মওংদা থবী মকক অনী থল্লবসু কান্নবা ফংগনি। অঙৈংবা থবীদা য়াওবা এন্টি-ইনফ্লেমেটরি ওইবা মগুন্না মীৎখা পোন্বা ফহনবদা মতেং পাংই।
- চা মনা য়াওবা টি-বেগ অনী ঈশিং লুপ্তুনা চোৎহল্লগা রেফ্রিজরেটর মনুংদা থমখ্রো। ঙাইহাক লৈরগা লৌথোক্তুনা উইশিল্লবা মীৎ অনীগী মথক্তা অমমম থল্লো। মিনিট ১৫ রোম লৈরগা টি-বেগশিং লৌথোক্লবা মতুংদা অঙৈংবা ঈশিংনা মায়-মীৎ শেংনা তাথোকপা কান্নগনি।
- আইস য়াওবা অঙৈংবা ঈশিংদা চামচ অনী লুপ্তুনা থল্লগা ঈংহল্লবা মতুংদা মীৎ নাম্ম-নাম্মদা থমগদবনি।
- অঙৈংবা ঈশিংদা ভিটামিন ঈ ওইল দ্রোপ খরা য়ানশিল্লো। লশিং মচেৎ অনীনা ঈশিং অদুদা লুপ্পগা মীৎ নাম্ম-নাম্মদা থমগদবনি। মসিনা মীৎখা চোন্থবা অমদি পোন্বগী চাং হন্থহনবদা মতেং ওইগনি।

# মশরুম বিরয়ানি করম্না থোংগদগে




**চঙগদবা পোৎচঙ ঃ**

চেঙ্গুম অশোইবা কপ অমা।
বাসমাতি রাইস কপ অমা।
শঙ্গোম অফম্বা কপ তঙ্খায়।
পানা শোইরবা তিল্হৌ অমা।
নুংশি হীদাক অশোইবা খুবাম অমা।
ফদিগোম মনা অশোইবা খুবাম অমা।
শিং অমদি চনম অশুবা চামচ অমা-মখায়।
তঙ্খায় খায়দোল্লবা মোরোক অতেকপা অনী।
অচাথাউ চামচ অহুম।
মোরোক অকংবা মকুপ চামচ তঙ্খায়।
গরম মসালা খরা।
জীরা চামচ তঙ্খায়।
এলাইচি মরি।
লোং তরুক।
উশিংশা মচেৎ অমা।

থোংবগী মওং:

চেঙ চামথোক্লগা মিনিট ২০ লোম ঈশিংদা তীংদুনা থল্লো।
মৈথক্তা খাং থাঙ্গৎলগা অচাথাউ হৈরো অমসুং মরু-মরাং ঙৌরো।
তিল্হৌ অমসুং মোরোক হাপচিল্লগা ঙাইহাক ঙৌরো।
শিং অমদি চনম অশুবা হাপচিল্লো।
শঙ্গোম অফম্বা হৈজিল্লো।
মোরোক মকুপ, মরু-মরাং, নুংশি হীদাক অমদি ফদিগোম মনা হাপচিল্লগা মিনিট ২ রোম ঙৌরো।
চেঙ্গুম হাপচিল্লগা মিনিট ২ রোম মৈ কন্না লৈখৎলগা ঙৌরো। ঈশিং অশাবা করা হৈজিল্লবা মতুংদা চেঙ অমদি থুম হাপচিল্লো।
চেঙ অদুনা চাক ওল্লবা মতমদা ফদিগোম মনা খরা চাইশিল্লগা থাংথরো অমসুং ফোঙ-ফোঙ শানা চাবা য়ারে।

# মকোক থোংবা হোলিৱুদ এক্ট্রেসশিং - এম্মা ষ্টোন

অমেরিকান এক্ট্রেস অমদি মোদেল এম্মা ষ্টোন কুমজা ১৯৮৮ গী নবেম্বর ৬ তা এরিজোনাগী স্কোটসদেলদা পোকখি। অপোকপা জেফ ষ্টোন, জেনরেল কোন্ট্রেক্টিং কম্পনি অমগী ফাউন্দর অমদি চীফ ইগজিক্যুটিভ ওফিসরনি। অপোকপী কৃষ্টানা য়ুমগী মৌনি।



মমা-মপানা কেমেলবেক গোল্ফ ক্লবকী মপু ওইবা মরম্না এম্মা ষ্টোননা মশাগী চহি ১২ শুরকপদগী হৌনা কেমেলবেককী মীথুংশঙ অমদা লৈরকখি। স্পেন্সর কৌবা মৌপ্পা নুপা অমা লৈ। অহানবদা মহাক সিকোয়া এলিমেন্টরি স্কুল অমদি কোকোপা মিডল স্কুলদা মহৈ তম্লবা মতুং চহি অনিরোম ময়ুমদা ওজা কৌদুনা লাইরিক তমখি। হায়রিবা মতম অদুদা মহাক্না "ড প্রিন্সেস এন্দ ড পী", "অলাউস ইন ৱান্দর্লেন্দ" অমদি জোসেফ এন্দ ড অমেজিং টেক্নিকলর দ্রিমকোট" হায়না ভেলি য়ুথ থিয়েটরগী প্রদক্সন ১৬ তা শক্তম লাংখি।

কুমজা ২০০৪ গী জানুৱারি থাদা অপোকপীগা লোয়নন্না মহাক্না লোস এঞ্জেলিসতা ময়ুম হোংলক্তুনা অশানবা য়ুম অমদা লৈখি। অঙাং ওইরিঙৈদা কপ্পা হেনমনবদগী চাউরক্লবা কান্দা খোঞ্জেল শিরপ তৌবা এক্ট্রেস অসিনা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৪ দা টেলেন্ট কম্পিটিসন রিয়েলিটি শো অমদা শরুক য়া-খি। কুমজা ২০০৭ তা মহাক্না "সুপরবেদ" তা মাইকল সেরা অমদি জোনা হিলগা কুম্মিন্নদুনা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা ফিচর ফিল্মদা খোঙদাবা হৌখি। ওল্লকপা চহিদা রেন ৱিলসন অমদি টৈদি গিগরগা লোয়নন্না "ড রোকর" দা কুম্মিন্নখি।

এম্মা ষ্টোননা কুমখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা "ড হাউস বন্নি", "ঘোষ্ট ওফ গার্লফ্রেন্দ পাষ্ট", "জোম্বিলেন্দ", "পেপর মেন", "মার্মাদ্যুক", "ঈজি এ", "ফ্রেন্দস ৱিথ বেনিফিট", "ক্রেজি ষ্টুপিদ লভ", "ড অমেজিং স্পাইদরমেন", "ড ক্রোদস", "গেংষ্টর স্কাদ", "ড অমেজিং স্পাইদরমেন-২", "বর্দমেন", "মেজিক ইন ড মূনলাইট" অমদি "ক্রিমসন পার্ক" মমিং পনবা য়াই।

গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস অমদি এম টি ভি ম্যুজিক ভিডিও এৱার্দনচিংবা মনা কয়া ফংখ্রবী এক্ট্রেস অসিনা মোদেল্লিংগী শিনফমদসু খোঙদারম্মী। মহাক হৌজিক "ড অমেজিং স্পাইদরমেন"দা কুম্মিন্নবা এন্দ্রিয়ু গার্ফিল্ডগা নুংশিনরি।



# খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং

## ককচেংদা ঈ য়াওরবা



মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা ককচেং অসি চহীচা কয়াগী মমাঙদগী অদুম্মক লৈরক্লবনি। চাউরাক্না তোঙান তোঙানবা মখল ২০,০০০ লোম লৈরিবা ককচেংনা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নদুনা মকোন শাই। ককচেং খরনা উফুল অমসুং লৈঙোই শীজিন্নরগা মকোন শাই। খরনা চৈতেক অমদি উফুল-ৱাইফুল শীজিন্নরগা শাই। ককচেং মখল খরদি চীংদুমগী মওংদা লৈপুং ওইনা মকোন শাই। লৈপুং অদুগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা কাখল কয়ামরুম লৈবগা লোয়নন্না হায়রিবা কাখলশিং অদু ফাওনবা য়াবা লম্বী অমা শেম্মী। মীওইবগী মতৌগুম ককচেং-শিংগীসু চীঙ্গাক লৈফম, চাক চাফম অমদি পোত্থাফম হায়দুনা তো-খায়-তোখায়বা কা লৈ।

মকোক, হকচাং অমসুং মনীং হায়দুনা ককচেংগী মরু ওইবা কয়াৎ অহুম শুই। মখোঙ তরুকমক মকোক্তা পাল্লি। মচীন, মমীৎ অমদি এন্টিনাসু মকোক্তা পাল্লি। ককচেংগী মমীৎতা মখল কয়াগী লেন্স য়াওবা মরম্না পোৎ খুদিংমক ময়েক শেংনা উবা ঙম্মী। অখন্নবা কয়াৎ অমা ওইনা য়াওরিবা এন্টিনানা মনম অমদি মহাউ খঙবগা লেয়নন্না মখোল পুন্নমক তাবগী মথৌসু তৌই। মেটাসোমা হায়না খঙনবা মনীংগী শরুক্তা চাকখাউ অমসুং রেক্টম য়াওই। ককচেং মখল অয়াম্বা মশা ঙাকথোকচনবগীদমক হূগী খাউ অমা মেটাসোমাদা য়াওই।



ককচেংগী লংস য়াওদে। মরম অদুনা হকচাংগী মফম শীনবা থুংনা লৈবা অহোবা মখুন মচা-মচাশিংদা ওক্সিজেন চঙলক্লগা মখুনশিং অদুমক্তদা কার্বোন-দাইওক্সাইদ থাদোকখি। ঈ উতোং মচা-মচাশিং য়াওদবা মরম্না মকোক্তা পানবা হার্টতগী অশাংবা উতোং অমা ফাওরগা মনীংগী শরুক য়ৌনা ঈ চেন্থোক-চেনশিন তৌই। ককচেংগী ঈদি মচু নাইদে। নরভস সিষ্টমসু মকোক্তা পাল্লগা হকচাংগী মফম শীনবা থুংনা মশা মরেং শন্দোকখি।

ঙাইহাক মতম কাইথোল্লগা মুন্না য়েংবা মতমদা ককচেং মশেল অমগা অমগা পাউ ফাওদোক-ফাওজিন তৌই হায়বা শোয়দনা খঙগনি। মকোক্তা পানবা এন্টিনাগী মতেংনা মখোয় মশেল পাউ ফাওনবনি। ককচেং অমনা চৎখিবা মতমদা পেরোমোন কৌবা মশাদা য়াওবা কেমিকেল অমা লম্বীদা চাইথোল্লম্বা মরম্না মদুগী মনম নল্লগা অতৈ ককচেং কয়াসু পরেং শানা মতুং ইন্নরকই।